স্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# নুপামচাগী য়ু-১৪দা বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, চান্দেল অমদি য়ু-১৭তনা কাংপোকপী, ককচীং অমসুং থৌবাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস): দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা চথুরিবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচশিংদা নুপামচাগী য়ু-১৪দা বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, চান্দেল অমদি য়ু-১৭তনা কাংপোকপী, ককচীং অমসুং থৌবাল মায় পাকখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা অন্দর-১৪ বোইজকী অহানবা মেচতা বিষ্ণুপুর অমসুং চান্দেল লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক লম্বা চানা অমনা অমবু হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নখি। অদুবু খঙহৌদনা মেচকী ২৫শুবা মিনটতা বিষ্ণুপুর টিমগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৭ রোবার্টসননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমবু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। রোবার্ট সন্না চনখিবা পাঞ্জল অদু চুড়াচান্দপুর টিমগী মায়কৈদগী হন্দোক্লবা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা পাঞ্জল অমা হেল্লিবা বিষ্ণুপুরগী টিমনা অমুকসু হন্না তকখায়রকখি। মেচকী ৪৩শুবা অমদি ৫২শুবা মিনটতা টিমসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৭ রোবার্টসন অমসুং জর্সি নম্বর ১১ অবুংতোননা পাঞ্জল অমমম চনশিন্দুনা মেচ অদু পাঞ্জল ৩-০দা লৈহনখি। মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা চুড়াচান্দপুর টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সেনাপতি লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীমক্না মায় পাক্তবা য়াদে মতাগুম তক্লদুনা শান্নরকখি। অহানবগী মিনট ১০ ফাওবদি পাঞ্জল লৈনখিদে। মেচকী ১২শুবা মিনটতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১২ টি ঐচ দিঙ্কুনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনট ৬ কান্নরগা সেনাপতিগী শান্নরোয় দুদো দোনা মেচকী ১৭শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১দা লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌবগা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা চনখিবা টি ঐচ দিঙ্কুনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা ২-১দা লৈহনখি। অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা সেনাপতিগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা মেচ অদু ইম্ফাল ৱেষ্টনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি।

অহুমশুবা মেচ ওইনা চুড়াচান্দপুর অমসুং চান্দেল লম্বা তৌনখি। মেচ অদু চান্দেলনা চুড়াচান্দপুরবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। চান্দেলগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু কাইথিয়ান গাইপৌ জর্সি নম্বর ১৭, কাপৈঙাম জর্সি নম্বর ৬, দল্লিয়ু দিম্বর জর্সি নম্বর ১০না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা চুড়াচান্দপুরগী পাঞ্জলশিং অদুনা থাঙ অলবর্ট জর্সি নম্বর ১১, খাইগিনসাং জর্সি নম্বর ১৭না চনখি।

নুপামচাগী চহী ১৭ মখাগী অহানবা গ্রাউন্দদা চান্দেল অমসুং কাংপোকপী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু অহানবা হাফতা কাংপোকপীনা হেন্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ২০শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১১ মিনলালনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। চান্দেলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা কাংপোকপীনা ফজনা শান্নরক্তুনা এক্সত্রা টাইমদা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ গৌথাংনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা লৈহনখি। মেচ লোইবা ফাওবদা চান্দেলগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ফেরজোল অমসুং তেংনৌপল লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেনজিন্নবা ঙম্নদনা শান্নখিবনা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ককচীং অমসুং থৌবাল লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা থৌবালনা ককচীংবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৮-০দা ময়থীবা পীখি। থৌবালগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এন অজিৎকুমার, জিননাও কবুই, এল জেকসননা চনখি। মেচ অদুদা অজিৎকুমারনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা হেটত্রিক লৌখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দদা উখ্রুল অমসুং সেনাপতি লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নখিবনা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। উখ্রুলগী পাঞ্জল অদু কাজিপমিনা অমসুং সেনাপতিগী পাঞ্জল অদুনা থাঙ্খলেন্না চনখি।

১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ৱাই এস সী লিতানপোকপী, য়ঙ বোইজ পুখাও, ওরিয়েন্টেল স্পোর্টস একাদেমি সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস): দি য়ং লর্নস লাইব্রেরি এন্দ লিদিং ওর্গনাইজেসন (য়োল্লো) কৈবিনা শীন্দুনা প্রাইমরি স্কুল গ্রাউন্দ কৈবি ইম্ফাল ইষ্টতা চথুরিবা ১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই এস সী লিতানপোকপী, য়ঙ বোইজ পুখাও, ওরিয়েন্টেল স্পোর্টস একাদেমি সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথুরিবা ১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা বিজেন এফ সী সেক্তা অমসুং ৱাই এস সী লিতানপোকপী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা সেমী ফাইনেল চঙনবা ফজরবা এটেকশিং চথনরকখি। অদুবু টিম অনীগী দিফেন্স লাইন লিংনা লৈনখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা ৱাই এস সী লিতানপোকপীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ২৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ চিত্তরঞ্জন্না মহাক্কী টিমগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। চিত্তরঞ্জন্না চনখিবা পাঞ্জল অদু বিজেন এফ সী সেক্তাগী মায়কৈদগী হন্দোক্লবা লৈজবা থৌনা ফুদোক্তুনা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থীহৌখি। অদুগা ৱাই এস সী লিতানপোকপীনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা য়ঙ বোইজ পুখাও অমসুং য়োল্লো কৈবি লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা য়ঙ বোইজ পুখাওগী মায়কৈদগী জেমসন জর্সি নম্বর ১৬, রোবার্ট জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমমম চনখি। য়োল্লো কৈবিগী মায়কৈদগী সনাথোই জর্সি নম্বর ৬না পাঞ্জল অনী চনখি। মেচ অদু লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ২-২দগী হেন্না চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনালটি কাওনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয় ৬/৬না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা য়ঙ বোইজ পুখাওগী মায়কৈদগী জেমসন, রোবার্ট, উমাকান্ত, কেনন্দ, শোরচন্দ্র অমদি নাওবীনা পাঞ্জল ৬ চনখি। অদুগা য়োল্লোগী মায়কৈদগী প্রিতম, দিঙ্কু, সনাথোই, অঙৌস্না অমসুং থোইচানা পাঞ্জল ৫ চনখি। মেচ অদুদা য়ঙ বোইজ পুখাওনা য়োল্লো কৈবিবু পাঞ্জল ৮-৭তা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দগী মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঈশিংথেনবী এফ সী অমসুং ওরিয়েন্টেল স্পোর্টস একাদেমি লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা ঈশিংথেনবী এফ সীগী মায়কৈদগী সুরেজ জর্সি নম্বর ৯, প্রেম জর্সি নম্বর ১৩না পাঞ্জল অমমম চনখি। ওরিয়েন্টেল স্পোর্টস একাদেমিগী মায়কৈদগী মেচ অদুদা য়োহেনবা জর্সি নম্বর ১১, ধনঞ্জয় জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমমম চনখি।

মেচ অদু লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ২-২দা লৈনবদগী পেনালটি কাওনখি। টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা ঈশিংথেনবী এফ সীগী মায়কৈদগী নেলসন জর্সি নম্বর ৬, ননাও জর্সি নম্বর ২, সুরেজ জর্সি নম্বর ৯ অমসুং দোলফিয়া জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল ৪ চনখি। অদুগা ওরিয়েন্টেল স্পোর্টস একাদেমিগী মায়কৈদগী ধনঞ্জয় জর্সি নম্বর ৪, জেকসন জর্সি নম্বর ৬, য়োহেনবা জর্সি নম্বর ১১, নুংশি জর্সি নম্বর ১৬ অমদি কেনেদি জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল ৫ চনখি। মেচ অদুদা ওরিয়েন্টেল স্পোর্টস একাদেমিনা ঈশিংথেনবী এফ সীবু পাঞ্জল ৭-৬তা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙখি।

# অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপনা সী এমবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): হৌখিবা জুলাই ১২দা সী এম বিরেন্না মণিপুরগী হুইয়েন লানলোং থাঙ-তাগী শিন্তাকপুরেলশিং, শিন্তাকপশিং, লূপকী থৌপুবশিং লোয়ননা শক্নাইরবা মীওই কয়াগা লোয়ননা দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা সী এমনা মণিপুরগী থাঙ-তাদা মায় ওনশিনবীরক্তুনা চহী অমগী মনুংদা নুমিৎ ৫নি হায়বদি দিসেম্বর ১৮দগী ২২ ফাওবা সী এম ইন্দিজিসন হুইয়েন লানলোং মীট পাঙথোক্লবা হোৎনবীরকপবু অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মমাংঙৈদগী লৈবাক অসিদা ইপা-ইপুশিংনা লৌরম্বা থৌদাং অমসুং মহৈশিংদা য়াওরিবা থকসি-খাসি, ফজরবা লমচৎ শাজৎ, চাহৈদবা চিঞ্জাক চাদবা, লৈবাক মচা তাবা অমদি পুন্সিরোল অমদি মরৈবাক নুংশিবগী ঈচেলগা তৎনা থানরক্তুবা লিংলেজবু মাঙখিদনবা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা মতিক লৈবা, তিংজং-কাইজংদবা লৈবাক অমা ওইনবগীদমক লৈবাক অসিগী সী এমনা পুক্লিং চঙলকপা অসিবু হরাও তয়াম্বা উৎলি।

# ১৫শুবা গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস): তরামঙাশুবা গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ থা অসিগী ১৪দা মিনি কেটেগোরিগী ওইনা পাঙথোক্লগনি। অদুগা লেমহৌবা কেটেগোরিশিংগীনা থা অসিগী ২৭তগী ৩১ ফাওবা খুমন লম্পাক ফেন্সিং হোলদা চথগনি হায়না মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি দল্লিয়ু রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, চেম্পিয়নশিপ অসিদা য়াওগদবা ক্লবশিংনা চহীগী রেজিষ্ট্রেসন অদু রিন্যু তৌগদবনি লোয়ননা ফেন্সর খুদিংমক অথুবা মতমদা রেজিষ্টর তৌগদবনি। চেম্পিয়নশিপ অসি রেজিষ্টর তৌদবা ফেন্সরশিংদি শরুক য়াবা য়ারোই। থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা ক্লব অমসুং ফেন্সরশিংনা মখোয় মখোয়গী রেজিষ্ট্রেসনশিং অদু শেংদোক্কদবনি।

# সলাই গোল্ফ টুর্নামেন্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস): সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী মসা লোয়শঙ অমা ওইরিবা সলাই প্রোপর্টিজ কোলকাটা অমদি মলেসিয়াগী মমিং লৈরবা ফোরেষ্ট সিটি কম্পেনিনা খুৎশম্নদুনা শীন্দুনা অহানবা সলাই গোল্ফ টুর্নামেন্ট পাঙথোকখ্রে।

কোলকাটাগী ইকো পার্ক গোল্ফ এরেনাদা ঙরাং চথুখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা এম বি সিংহনা অনীশুবা মনা লৌরকপা ঙমখি। সলাইগী হোল্ডিংগী চ্যেরমেন এন সমরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, গোল্ফ কোর্স অমা শাবগী লিক্লমদা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপনি। টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক মথং তারবা মীওইশিং সলাইগী মায়কৈদগী মলেসিয়াদা লৈবা গোল্ফ কোর্সতা চৎপগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

১৫শুবা গভর্ণরস টাইক্বান্দো কপ, মণিপুর, ২০১৯

# এন এস এনা গোল্ড ৬, য়ু টি এনা গোল্ড ৩, পি টি এনা গোল্ড ২, আই বি এস এ, সী টি আই-এস অমদি লমশাংনা গোল্ড মেদল অমমম ফংবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএসন (এ এম টি এ) না শীন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর হোলদা চথুরিবা ১৫শুবা গভর্ণরস টাইক্বান্দো কপ, মণিপুর, ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন এস এনা গোল্ড ৬, য়ু টি এনা গোল্ড ৩, পি টি এনা গোল্ড ২, আই বি এস এ, সী টি আই-এস অমদি লমশাংনা গোল্ড মেদল অমমম ফংবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ১৬তগী নুপামচা ৩৩১ অমসুং নুপীমচা ১৪২ পূন্না শান্নরোয় ৪৭৩না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৫শুবা গভর্ণরস টাইক্বান্দো কপ, মণিপুর, ২০১৯গী সব জুনিয়র বোইজকী কেজি ২১ মখাগী কাঙলূপ্তা লমশাং য়ুনিটকী খাইদেম ৱাংলেননা অহানবা, পি টি এ য়ুনিটকী এল দাইমন্দনা অনীশুবা অমসুং য়ু টি এগী সিনাম দালতোন অমদি পি টি এগী অকোইজম বিকাশ মখোয় অনীনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সব জুনিয়র গর্লসকী কেজি ১৮ মখাগী কাঙলূপ্তা পি টি এ য়ুনিটকী লৌরেম্বম লিম্থোঙানবীনা অহানবা অমসুং য়ু টি এ য়ুনিটকী য়ানা খুমুকচম্না অনীশুবা পোজিসন তাখি।

সব জুনিয়র গর্লসকী কেজি ২২ মখাগী কাঙলূপ্তা পি টি এ য়ুনিটকী ময়াংলম্বম বাসেকানা অহানবা, য়ু টি এগী জি চেলসিয়ানা অনীশুবা অমসুং য়ু টি এ য়ুনিটকী কে ঐচ মালেমঙানবী অমদি পি টি এ য়ুনিটকী কে ঐচ য়াইখোম্বী চনুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সব জুনিয়র গর্লসকী কেজি ২৬ মখাগী কাঙলূপ্তা এন এস এ য়ুনিটকী কে সোনিয়ানা অহানবা, ঐচ টি এ য়ুনিটকী টি ঐচ তরুনা অনীশুবা অমসুং য়ু টি এ য়ুনিটকী দল্লিয়ু ত্রেসি অমদি পি টি এ য়ুনিটকী শিনে তাওরেম্না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কেদেট বোইজকী কেজি ৩৭ মখাগী কাঙলূপ্তা এন এস এ য়ুনিটকী এস রেকিসন্না অহানবা, সাই আর সী য়ুনিটকী সমানন্দনা অনীশুবা অমসুং এন এস এ য়ুনিটকী অদিত্য এলাংবম অমসুং লমশাং য়ুনিটকী লাইশ্রম ন্যটোন্না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।



কেদেট গর্লসকী কেজি ৩৩ মখাগী কাঙলূপ্তা এন এস এ য়ুনিটকী পোৎশংবম ভিক্টোরিয়ানা অহানবা তাখি। কেজি ৪১ মখাগী কাঙলূপ্তা এন এস এ য়ুনিটকী মন্দা য়াইখোমনা অহানবা, এন এস এ য়ুনিটকী নোংথোম্বম সাইনানা অনীশুবা অমসুং য়ু টি এ য়ুনিটকী মার্টিনা ৱাহেংবম অমদি এন এস এ য়ুনিটকী হাফিজা খাতুননা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৮ মখাগী কাঙলূপ্তা এন এস এ য়ুনিটকী এস ঐচ সুশি মৈতৈনা অহানবা, য়ু টি এ য়ুনিটকী রোবিনসননা অনীশুবা অমসুং সাই আর সী য়ুনিটকী এস সরত মৈতৈ অমদি য়ু টি এ য়ুনিটকী এন রিদাশনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৪৪ মখাগী কাঙলূপ্তা এন এস এ য়ুনিটকী নাওরেম রীনানা অহানবা, সাই আর সী য়ুনিটকী মোনালিসা দাসনা অনীশুবা অমসুং পি টি এ য়ুনিটকী এল রীয়া অমদি খরিবম টুতুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৪৯ মখাগী কাঙলূপ্তা সাই আর সীগী টি লুসিনা অহানবা, য়ু টি এগী সী ঐচ লিওনানা অনীশুবা অমসুং ঐচ টি এ য়ুনিটকী এম এম সবনমন অমদি য়ু টি এ য়ুনিটকী য়াইস্না নিংথেমচানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৫৫ মখাগী কাঙলূপ্তা য়ু টি এ য়ুনিটকী বিনিতা লাইশ্রমনা অহানবা, সাই আর সী য়ুনিটকী এল চীংথংঙানবীনী অনীশুবা অমসুং সাই আর সী য়ুনিটকী অঙোম উত্তরানি অমদি সোরা য়ুনিটকী সদিকা পর্বিননা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সেনিয়র মেনগী কেজি ৫৮ মখাগী কাঙলূপ্তা আই বি এস এ য়ুনিটকী নিংথেমচা শিলহৈবনা অহানবা, য়ু টি এ য়ুনিটকী এম রোনাল্ডোনা অনীশুবা, সাই আর সী য়ুনিটকী এল য়াইফব মৈতৈ অমদি এন জি রোনেল মীতৈনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৮০ মখাগী কাঙলূপ্তা য়ু টি এ য়ুনিটকী মোংবিজম থৌবা খুমননা অহানবা, নম্বোল য়ুনিটকী পেবম টেজসন্না অনীশুবা অমসুং সাই আর সীগী রিসিকান্ত অমদি য়ু টি এ য়ুনিটকী মাইবম রোবার্টনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সেনিয়র ৱিমেনগী কেজি ৪৯ মখাগী কাঙলূপ্তা য়ু টি এ য়ুনিটকী আর কে দেভিকানা অহানবা, য়ু টি এ য়ুনিটকী পি প্রিয়ানা অনীশুবা অমসুং সী টি আই-এস য়ুনিটকী পুজা দাসনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# পেরুবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ব্রাজিলনা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

-CONMEBOL-
COPA AMERICA
BRASIL 2019

রিওদি জেনৈরো, জুলাই ০৮ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৯গী কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ফাইনেলদা পেরুবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা য়ুম্বু ব্রাজিলনা টাইটল লৌখ্রে।

ব্রাজিলদা থা অসিগী ১৪দগী হৌখিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পেরুগা য়ুম্বু লৈবাক অদুগা লম্বা তৌনরকপদা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা ব্রাজিলনা অর্জেন্টিগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকপা ঙমখি। হায়রিবা মেচ অদুদা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ অদু অহানবা হাফতা গ্রেব্রিএল জিজসনা অহানবা হাফকী ১৯ শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা ফরমিনোনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু ৭১ শুবা মিনটতা চনখবনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা পেরুনা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা চিলিবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। পেরুগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী ২১ অমসুং ৩৮ শুবা মিনটতা ফ্লোরেস অমসুং য়োতুননা চনবা ঙমখি। অদুগা অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা মেচকী ইঞ্জুরি টাইমদা গুইরেরোনা চনখি।

কোপা অমেরিকাগী অহুমশুবা পোজিসনগী শান্নখিবা মেচতা লিয়োলেন মেসি রেদ কার্দ ফংদুনা অহানবা হাফতা তান্থোকখিবা অদুদা অর্জেন্টিনা চিলিবু ২-১দা থোইখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী য়ুম্বু ওইখিবা ব্রাজিলনা হৌবদগী হৌনা পেরুবু খুদুম চনবা ঙমখি। মেচকী ১৫ শুবা মিনটতা গ্রেব্রিএল জিজসনা পীখিবা পাস অমা টিমমেট এবর্টন পাঞ্জল চল্লগা একাউন্ট হাংদোকখি।



মেচ অদু মখা চথরকপা অহানবা হাফকী পুংখাই চঙশিল্লকপদা পেরুগী শান্নরোয়না পুশিল্লকপা বোল অমা গ্রেব্রিএল জিজসনা লান্না বোল মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক রেফ্রিনা য়োল্লে কার্দ অমা বুক তৌখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ য়ৌগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবামতমদা পেরুনা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু পাউলো গুইরেরোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। অদুবু অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা ব্রাজিলনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা অথরনা পীখিবা পাস অমা গ্রেব্রিএল জিজসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা পেরুবু ব্রাজিলনা ২-১দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদু হৌরকপদগী পেরুগী শান্নরোয়শিং অহানবা হাফ অদুগী মশান্না অদুদগী হেন্না খোঙজেল য়াংখৎখি। মদুনা মরম ওইরগা ব্রাজিলগী শান্নরোয়শিংসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী ৭০ শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী জিজস অনীরক শুবা য়েল্লো কার্দ ফংদুনা মেচ অদুগী তান্থোকখি। পেরুনা খুদোংচাবা লৌবা ঙমদনা মেচ অদু লৈরিঙৈ শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী টিমনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা রিচার্লিসননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-১দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

HL-B/5528/3/7-1sept.




# ইন্দিয়াগী দিবিস সরন দবলসকী ৩শুবা রাউন্দদা লৈহৌরে, নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ এসলি বার্টি ৪শুবা রাউন্দদা য়ু এসকী রিস্কেনা থোইখ্রে

লন্দন, জুলাই ০৮ (এজেন্সী): চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিমবল্ডন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ১৩৩রকশুবা এদিসনগী নুপাগী দবলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী দিবিস সরন ৩শুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে। নুপীগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তুনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি য়ু এস এগী এলিসন রিস্কেনা মায়থীবা পীরল্লে।

নুপাগী দবলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী দিবিস সরননা ব্রাজিলগী এম দিমোলাইনরগা পেয়র ওইদুনা ঙসি কাংলুপ অদুগী নম্বর ১ সিদেদ পেয়র ওইরিবা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না ফজবা দবলসকী মেচ অমা থেংনখিবদা সেট ১-৩দা মায়থীবা নংখি।

অহানবা সেট অদু পোলেন্দ অমসুং ব্রাজিলগী পেয়রনা অদুনা ৭-৫তা থোইখি। ২শুবা সেটতা ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলগী পেয়র অদুনা টাইব্রেটক্তা ৭-৬ (১০-৮)তা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি। ৩শুবা সেটতা মায়কৈ অনীমক্তুগী অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকপদা টাইব্রেক্তা অমুক লাক্তুনা নম্বর ১ সিদেদ পেয়র ওইরবা কুবোট অমসুং মেলোনা ৮-৬তা থোইরবা মতুং ৪শুবা সেট অদু মখোয়না সরন অমদি দেমোলাইনরবু ৬-৩দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গল কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বর্টিনা ৪শুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী এলিসন রিস্কেগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু রিস্কেবু ৬-৩দা থোইরবা মতুং মখা তাবা সেট অনীদা রিস্কেনা মহাকপু ৬-২, ৬-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। রিস্কেনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবী সেরানা ৱিল্লিয়মসকা লম্বা তৌনরগনি।

HL-B/5527/3/7-31aug.

LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/LLM | 2 | Negotiable | 25-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |

L.G. MOTORS FINANCE
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.30PM
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com